# আই এস আই এসনা ফালুজাদগী নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনবদা মীচমশিং কাপ্তুনা হাংলে : এন জি ও



বাঘদাদ, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
আই এস আই এসনা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা ফালুজা সিটিবু ইরাকি ফোর্সশিং অমসুং মিলিস্যানা অমুক হন্না পায়শিন্নবা হোৎনরকপগী লাঙ্গংদা সিটি অদুবু থাদোক্লবা হোৎনরকপদা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা সিবিল্যনশিংদা টার্গেট তৌরে হায়না য়ুরোপকী ইরাকতা রন তৌরিবা নন-প্রোফিট ওর্গনাইজেসন অমনা হায়রি।

ইরাকি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফালুজা সিটি লৌশিন্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা মীচম ৫০,০০০ রোম সিটি অদুগী ময়াইদা থোকপা য়াদনা লৈরি হায়না নোর্বিজ্যন রিফ্যুজি কাউন্সীল (এন আর সী)না ঙসি সী এন এনদা হায়খি।

আই এস আই এসদগী নাম্থোক্লবা হোৎনবা কয়া মিলিটেন্টশিংনা টার্গেট তৌই অমসুং কাপ্পী হায়না কাউন্সীলনা ফোঙদোকখি।

"ঐখোয়না খ্বাইদগী কিরপশিংদু হৌজিক্তি কনফর্ম তৌরে। মসি অৱাবগী মশক্নি। মিলিটেন্টশিংনা মফমদুদগী নাম্থোক্লবা হোৎনবদা মীচমদা দাইরেক্ট ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্লে" হায়না ইরাকতা লৈবা এন আর সীগী কন্ট্রি দিরেক্টর নশর মুফলাহিনা হায়খি।

"মশা হিংনবগীদমক্তা খূদিংমক তুংওইনরম্ন বা হোৎনরিবা মরাল লৈজদ্রবা নুপা, নুপী অমসুং অঙাংশিংদা ঐখোয়না খ্বাইদগী কিদুনা লাকপদু থোক্লে।" ইরাককী কেপিটেল বাঘদাদতগী কিলোমিটর ৬৫ লাপ্পা লৈবা ফালুজাবু গ্রুপ অদুনা কুমজা ২০১৪দগী পায়শিন্দুনা লাকখি অমসুং সিটি অদুবু নৌনা অমুক লৌশিন্নবা ইরাকি ফোর্সশিং অমসুং মিলিস্যানা পুন্না হোৎনরক্লি।

হৌখিবা মেগী অথেংবদগী হৌজিক ফাওবদা ইমুং ৩০০০ সিটি অদুদগী নাম্থোক্তুনা লাঞ্জেনখ্রে হায়না এন আর সীনা হায়খি। মখোয় অয়াম্বা দিসপ্লেসমেন্ট কেম্পশিংদা লৈরি অমসুং ফালুজাদা লৈরিবা মীওই লীশিং কয়ানা সিটিদুদগী নাম্থোক্তুনা চেল্লকপা তারবদি মখোয়গী লৈফম কেম্পশিংদা ঈশিং ফংদবগী প্রোব্লেম লাক্কনি হায়না এন আর সীনা ৱার্নিং তৌখি।

বাঘদাদকী মপান্দা দিসপ্লেসমেন্ট কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওই কয়ানা হায়খি, মখোয় লাঙ্গৈই চন্দুনা লৈরিবা সিটি অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা ভীলেজশিং অমসুং টাউনশিংদগী থোকখিদে।

সী এন এনদা ৱা ঙাঙখিবা মীওই অমনা হায়খি মদুদি, আই এস আই এসকী ফাইটরশিং মহাক্কী ময়ুমদা লাকখি অমসুং মঙোন্দা মহাক ফালুজাদা চত্তুনা টেরর গ্রুপ অদুগী হ্যুমেন সিল্ড ওইনা লৈবা তাই হায়খি।

"মদু ওর্দর অমনি" হায়না ফালুজাগী চীদাইদা লৈবা টালেব ফর্হাননা হায়খি। "করিগুম্বা নহাক্না মখোয়না চথরিবদুদা য়াদবা তারবদি নহাকপু খুদক্তা কাপ্তুনা হাৎকনি।"

ইমুং অমা মখোয়গী য়ুম মনুংদা লোৎতুনা লৈখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না য়ুমগী থোঙদু সবাক ফাতুনা থমখি। মদু মিলিটেন্টশিংবু অপংবা শীনবগীদমক্তনি।

"আই এস আই এসকী মীওইশিংনা লাকপা মতমদা য়ুমদু ইহাং হাংলে হায়না লৌখি" হায়না সিটি অদুগী চীদাইদা লৈবা মীওই অমনা হায়খি।

"অতৈ ইমুংশিংদি অদুম্না তৌখিদে। আই এস আই এসনা মখোয়বু পুদুনা চৎখি নৎত্রগা মখোয়বু ময়ুম ময়ুমদা কাপ্তুনা হাৎখি।"

সিটি মনুংদগী চেন্থোরকপা ঙমখিবা মীওই খরনা সী এন এনদা হায়খি মদুদি, ইমুং মরিগী মীওই ৩২ নুমিৎ ৪নি চুপ্পা পাৎথি-কোমথিদা লৈখি। মখোয়না অমোৎপা অমুবা ঈশিং থকখি, অরিবা খজুর চারগা খাংখি অমসুং মমৈথংদা নাম্থোরকখি।

মখোয় বাঘদাদকী মপান্দা লৈবা অবু খরাইবগী ময়ুম মকৈ লৈত্রবশিংগী উফুল থাংলবা কেম্পতা লৈখি। আই এস আই এসবু মায়থিবা পীরবা মতমদা মখোয় হন্ননবা য়ুম লৈগনি। সী এন এননা য়ুম অমসুং অতৈ বিল্ডিং কয়া অমাঙ-অতা থোকপা উখি। এরিয়া অদু ইরাকি ফোর্সশিং অমসুং কোলিসন্না বোম থাদখ্রবা মতুংদা ফালুজাগী মনাক্তা অতৈ বিল্ডিং ইরৈ লৈত্রে হায়বা য়াই হায়রি।

## 'ইন্দিয়াদা ন্যুক খুৎলাই য়াওবা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথনবা শেম-শারে'

ইস্লামাবাদ, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়াগী মায়োক্তা ফোঙদোরকখিবা কাইহৌবগী অতোপ্পা ৱাঙাঙ অমদা ২৬/১১গী মুম্বাই টেরর এটেক্কী মাষ্টরমাইন্দনি হায়না মরাল শীখ্রবা জামাট-উদ-দাৱা (জেয়ুদি)গী চীফ হাফিজ সায়িদনা ইন্দিয়াবু ৱার্নিং পীরদুনা হায়খ্রে মদুদি করিগুম্বা পাকিষ্টানগী মায়োক্তা ন্যু দিল্লিনা অকল-অরিং শীংবগী থৌওং অমা চথরকপা তারবদি ইন্দিয়ানা মতুং তারকপদা মীশি-মীনা কয়া য়াওবা মহয়শিং মায়োক্লগনি।

"করিগুম্বা ইন্দিয়ন বেজশিংদগী পাকিষ্টানগী মায়োক্তা দ্রোন এটেক অমা চথরকপা তারবদি, ঐখোয়দা ইন্দিয়া পুম্বা থুংগদবা দ্রোন মরাং কায়না লৈ" হায়না হন্দক্তা হাফিজ সায়িদনা পাকিষ্টানদা পাঙথোকখিবা রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি।

চহী অসিগী অঙনবদা পাকিষ্টানগী আই এস আই অমসুং মসিগী আর্মিগী বেকিং য়াওবা জে য়ু দিগী চীফনা এন্তি-ইন্দিয়া প্লানশিং পাঙথোক্লনবা টেররিষ্টশিং লৌবগী মাস রিক্রুটমেন্ট দ্রাইভ অমা পাঙথোকখ্রে।

সায়িদনা ইন্দো-পাকিষ্টান বোর্দর মনাক্তা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লোঙ্গিং পেদশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। ইন্দিয়ানা মপুং ফাবা সিক্যুরিটিগীদমক্তা ইন্টরনেসনল বোর্দরদা খ্বাইদগী নৌবা টেক্নোলোজি ওইনা লেজর ৱালশিং শাগৎখিবগা লোয়ননা জে য়ু দিনা কালেন থাগী মতম অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অনৌবা রিক্রুট কয়া নারোন্দগী থাজিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না থাজনৈ।

বোর্দর এরিয়া মনাক্তা নুমিৎ নিনি লৈরিঙৈ মনুংদা মহাক্না য়ামদ্রবদা খুঙ্গং ১০দা ইন্দিয়াবু কাইহৌবগী স্পিচ কয়া পীখি। য়ু এননা কুমজা ২০০৮গী দিসেম্বরদা জে য়ু দিবু টেরর ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকখি অমসুং সায়িদপুসু টেররিষ্ট অমনি হায়না তোঙান্না লাউথোকখি। য়ু এস গভর্ণমেন্টনা মহাকপু হাৎপা নৎত্রগা ফানগী পাউপীবদা দোলর মিলিয়ন ১০গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

## চাইনিজ এয়র দিফেন্স জোন টাইৱাননা শকখঙলোই : টাইৱান দিফেন্স মিনিষ্টর

টাইপৈ, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
সাউথ চাইনা সিদা চাইনানা লাউথোকখিবা এয়র দিফেন্স জোন অমত্তা টাইৱাননা রিকগ্নাইজ তৌরোই হায়না ইথৎ অদুগী অনৌবা দিফেন্স মিনিষ্টরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ইথৎ অদুগী টোপ সিক্যুরিটি এজেন্সীনা অদুগুম্বা খোঙথাং অমা থাংলকপদনা রিজনেল টেন্সন লাকহনগনি হায়না নুংনাংবা ফোঙদোকখিবা মতুংদা টাইৱাননা ৱাফমদু ফোঙদোকখিবনি।

চাইনানা সাউথ চাইনা সিদা ক্লেম তৌরিবশিং অদুগী মায়োক্তা ফিলিপিন্সনা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমগী মতাংদা লাক্লিবা চয়োল খরা অসিদা ইন্টরনেসনল কোর্টকী রুলিং অমা লাক্লগনি হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংনা থাজবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা বৈজিংনা কুমজা ২০১৩দা ইষ্ট চাইনা সিদা তৌখিবগুম্না এয়র দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোন নৎত্রগা এ দি আই জেদ অমা লাউথোক্লবা য়াই হায়না চিংনরি।

চহী খূদিংগী দোল্লর ত্রিলিয়ন মঙাগী লল্লোন-ইতিক্কী লম্বীশিং ওইনরিবা সাউথ চাইনা সিগী অয়াম্বা শরুকশিং চাইনানা ক্লেম তৌরি। ফিলিপিন্স, ভিয়েটনাম, মালেসিয়া, টাইৱান অমসুং বৃটেনসু বৈজিংনা ক্লেম তৌরিবা সাউথ চাইনা সিগী মফম কয়া ক্লেম তৌরি অমসুং লৈবাকশিং অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মিলিটরিগী অনকপা মরীসু থম্নরি।

"ঐখোয়না রিকগ্নাইজ তৌরোই" হায়না টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্টর ফেং সিহ-কুআননা পার্লিয়ামেন্টরি সেসনদা লোমেকরশিংদা হায়খি।

টাইৱানবু নীংখা তম্না লৈহনবা পাম্বা দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিব পার্টিগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেনগী অনৌবা গভর্ণমেন্টবু হৌখিবা থাদা ৱাশক লৌখিবা মতুংদা কম্মেন্টশিং অদু ফোঙদোরক্লিবনি। সাইনা মীখলদা মায় পাকখিবা অদুনা ইথৎ অদুগী চাইনাগা মরুপ-মপাং ওইবগী মরী থমখিবা নেসনেলিষ্ট রুল মথক-মখা ওলহনখি।

চাইনানা ইষ্ট চাইনা সিদা অদিজ নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনখিবা মতমদা জপান অমসুং য়ু এসনা থৌওং অদুবু কন্দেম তৌখি। অদিজ চৎনরকপা মতমদা ইষ্ট চাইনা সিগী মথক্তা এয়রক্রাফট কয়ানা লাল্লকপা মতমদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংদা শক তাকপা চঙখি।

চাইনানা সাউথ চাইনা সিদা অদুগুম্বা থৌরাং অমা লৌখৎলকলে হায়বদু কনফর্ম তৌখিদে, অদুগুম্বা থৌরাং লৈতে হায়না ফোঙদোকপসু তৌখিদে। অদুগুম্বা ৱারেপ অমা লৌবা হায়বসি থ্রেটকী লেবেলদা য়ুম্ফম ওইগনি অমসুং অদুগুম্বা জোন অমা শেম্বগী রাইট নীংথিনা লৈ হায়না চাইনানা ফোঙদোকখি।

"তুংদা চাইনানা অদিজ অমা লৈহল্লক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। করিগুম্বা চাইনানা মসিবু লাউথোরকপা তারবদি লমদম অদুদা অনৌবা টেন্সন অমা শোয়দনা লাক্লগনি" হায়না টাইৱানগী নেসনল সিক্যুরিটি ব্যুরোনা পার্লিয়ামেন্টদা পুথোকখিবা রিপোর্ট অমদা হায়খি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা ঙরাং হায়খি মদুদি, সাউথ চাইনা সিদা চাইনিজ এয়র দিফেন্স জোন থম্লকপা হায়বসি কায়হৌবা অমসুং লমদম অদুগী তং-তাবগী ফীভম থুগাইবা ওইনা থোক্কনি।



ঙসি বৈজিংদা পাঙথোকপা হায় লেবেল ষ্ট্রেটেজিক দাইলোগ হৌবদা ৱা ঙাঙলদুনা কেরিনা হায়খি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউথ চাইনা সিগী য়েৎনরিবা ফীভমশিংবু পিছফুল ওইবা মওংদা লৈখায় তাহনবা পামই।

"ঐখোয়না হৌজিক লৌরিবা ফিরেপ অমদি মসি নাকল নাম্মতগী ওইবা ৱারেপনা লৈখায় তারোইসি। মসি ঐখোয়গী রুল ওফ লো, দিপ্লোমেসি, নিগোসিয়েসনগী খুথাংদা লৈখায় তাসি হায়বসিনি। ঐখোয়না লৈবাক খূদিংমক্তা ইন্টরনেসনল ষ্টেন্দর্দস অমসুং রুল ওফ লোগী খুথাংদা দিপ্লোমেটিক সোল্যুসন অমা পুথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়না মহাক্ন া হায়খি।

চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেট, ষ্টেট কাউন্সীলর য়াং জিয়েচিনা হায়খি, চাইনানা পিছ, ষ্টেবিসিটি অমসুং দিভলপমেন্টদা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌরি।

টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মসিগী রিপোর্টতা হায়খি মদুদি, ইথৎ অদুনা সাউথ চাইনা সিগী অৱাংদা লৈবা প্রতোস ইথৎ অমসুং স্প্রাটলি ইথৎশিংগী ইতু অবাদা দিফেন্সকী থৌরাংশিং হেনগৎলগনি।

## বাংলাদেশতা ইস্লামিক ষ্টেটনা বিজনেসমেন, পুলিস ওফিসরগী নুপী হাংখিবগী ক্লেম তৌখ্রে

ধাকা, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখিবা এটেক অমদা ঙরাং বাংলাদেশতা খৃষ্টান বিজনেসমেন অমা থাঙপাক পায়বা মীওইশিংনা চর্চ অমগী মনাক্তা হাংখ্রে। এটেক অদু মকোক থোংবা এন্তি-টেরর পুলিস ওফিসর অমগী নুপীবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাংখিবা মতুং পুং খরদমক লৈরগা চথরকখিবনি।

মশাগী চহী ৬৫ শুরবা সুনিল গোমেজ কৌবা মীওই অদু বানপারা ভীলেজদা লৈবা চর্চ অমগী মনাক্তা হাংখিবনি। ভীলেজ অদুদা নোর্থ ৱেষ্টর্ন নোটোর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বাংলাদেশকী খ্বাইদগী লিরবা খৃষ্টান কম্ম্যুনিটিশিংগী মনুংদগী অমনা খুদাবনি।

গোমেজবু হাংলবা মতুংদা এটেক্করশিং অদু খুদক্তা মফমদুদগী চেনখি। মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু মহাক্কী গ্রোসরি দুকানদগী লৌখৎখি হায়না এস পি স্যামান মুখর্জিননা ফোঙদোকখি।

"ঐখোয়না হৌজিক মীহাৎ অদুগী মরমদা অকুপ্পশিং খঙদ্রি, তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী পুলিসমেনশিংনা মীহাৎতুগী মরমদা ঈ-পাউ খোল্লি হায়না মুখর্জিনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং পুং খরগী মতুংদা য়ু এসতা বেজ তৌবা এস আই টি ঈ ইন্টলিজেন্স গ্রুপনা ইস্লামিক ষ্টেটকী অমাক এজেন্সী পল্লদুনা টেরর গ্রুপ অদুনা চথখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে হায়খি।

গোমেজগী মীহাৎ অদু পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট বাবুল অকতারগী নুপীবু বাইক তোংবা মীওই অহুম্না চীতাগোংদা মহাক্কী চহী নৌরিবা মচানুপাগী মমাঙক্তদা থাঙনা থীন্দুনা অমসুং নোংমৈনা কাপ্পুনা হাংখিবা মতুং পুং খরা লৈরগা থোকখিবনি। বাবুল অকতারনা লালহৌবশিং অমসুং দ্রগ কার্টেলশিংগী মায়োক্তা দ্রাইভ কয়া চথখি হায়রি।



মহমুদা অকতার কৌবী মশাগী চহী ৩৩ শুরবী পুলিস ওফিসরগী নুপী অদু মহাক্কী চহী ৬কী মচানুপাবু স্কুলদা চৎনবগীদমক্তা মনাক নকপা বস খাম্ফম অমদা থীনবগী লম্বীদা লোকল টাইমদা অয়ুক্কী পুং ৬.৪৫ মুক তাবা অদুৱাইদা টার্গেট তৌখিবনি।

হোম মিনিষ্টর অসাদুজামন খান কমলনা হায়খি, পুলিসনা লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা কা হেনবা কাঙবুশিংনা মহমুদা অকতারগী মীহাৎ অদু চথখিবা মাল্লি।

চিটাগোং পোর্ট সিটিদা লৈরিবা কলমনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, জামাট-উল-মুজাহিদ্দিন বাংলাদেশকী মায়োক্তা চথবা কেম্পেইনদা বাবুল অকতারনা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবগীদমক্তা ইস্লামিষ্টশিংনা মহাক্কী নুপীবু হাংখিবা ওইবা য়াই।

ধাকাদা পুলিস হেদক্বার্টর্সতা পোষ্টিং তাবা বাবুলনা লূচিংদুনা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফমশিংদা রেইদ কয়া চথখি অমসুং চিতাগোংগী দিটেক্টিব ব্রাঞ্চকী এদিসনেল দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওইনা টেররগা মরী লৈনবা কেস কয়া ইনভেষ্টিগেট তৌখি। মকোক থোংবা মিলিটেন্টশিং ফাবদা অমসুং সাউদর্ন কোষ্টেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মখোয়গী লোৎফমশিং থুগাইবদা মখোয়না মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌখি। মহাক্না ইনভেষ্টিগেসন চথবদগী হৌখিবা চহীগী ওক্টোবরদগী বেন তৌখ্রবা জে এম বিগী লোৎফম থুগাইখি অমসুং গ্রুপ অদুগী মিলিটরি ৱিংগী চীফ মোহমদ জাজেগী মকোক ফাখি।

"বাবুল অকতারনা কাউন্টর টেররিজমগী থবক তৌবনা মরম ওইদুনা মিলিটেন্টশিংনা মহাক্কী নুপীবু হাংখিবনি হায়বগী চিংবা লৈ'ও হায়না দিটেক্টিব ব্রাঞ্চকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর মোক্তার অহম্মদনা হায়খি।

## সিরিয়াগী রেজিমনা অলেপ্পোদা রেইদ চথবদা মীচম শিখ্রে

অলেপ্পো, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
অলেপ্পোদা সিরিয়ন রেজিমনা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইক কয়াদা য়ামদ্রবদা মীচম ১৬ শিখ্রে অমসুং লালহৌবশিংনা পায়শিন্দুনা থম্বা দিষ্ট্রিক্ট অমা রেবেল বোম্না টার্গেট তৌদুনা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে হায়না মোনিটর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এক্সপ্লোসিব দিভাইস অমা কটর্জি কৌবা মফম অমদা তাশিল্লকখি লোয়ননা এ এফ পিগী ফোটোগ্রাফর অমনা মীশিংনা মশা কঞ্জনবা চেন্নবা, রেস্ক্যু ৱার্কর অঙাং অমবু এম্বুলেন্সতা হাপচিনবা অমসুং লম্বীদা অকায়-অতোয়শিং চায়রগা তাবা উখি।

সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি, কটর্জিদা মীচম মাপন শিখ্রে অমসুং অঙাং অমা য়াওনা অতৈ অনীনা নোর্দর্ন সিটি অদুগী মায়শরদা শিখ্রে। অতৈ দিষ্ট্রিক্ট অনীদা অতোপ্পা মীচম মঙাসু শিখি।

কটর্জদা নুপা অমনা অকায়-অতোয়না কোইশিনবা লম্বীগী ময়াইদা লেপখি অমসুং "মফম অসিদা মীচমশিংদমক লৈ, লালহৌবা লৈতে" হায়না লাউখি। লম্বী অদুগী অতোপ্পা মফম অমদা নুপী অনী অমসুং অঙাং অনীনা বেরেল বোম্না অমাঙ-অতা থোকহল্লবা বিল্ডিংশিং অমসুং মতৎ-মরাং ওল্লবা দুকানগী সট্টরশিংগী মনাক ফাওদুনা খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফম থীবা উখি হায়না এ এফ পিগী ফোটোগ্রাফরদুনা হায়খি।

অঙৌবা উফুলনা মশম পুম্বা য়োল্লবা রেস্ক্যু ৱার্করনা মমায়দা ঈখেং তৈরবা অঙাং অমা এম্বুলেন্স অমদা পুখি। এম্বুলেন্স অদুদা অতোপ্পা অঙাং অশোকপা অমসু হান্নদগী তাদুনা লৈরম্বা উখি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা রশিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা ত্রুস অমা অলেপ্পোদা লেপ্তুনা খোঙ্গাওনবগী থৌদোকশিং থোকখি। কুমজা ২০১২দগী সিটি অদুদা রেজিম অমসুং রেবেল গ্রুপশিংনা অলেপ্পোবু কন্ট্রোল তৌনবা তত্তনা লাল তৌনদুনা লাকখি।




HL-B/3096/18/05-17/05

# EMPLOYMENT NEWS

**JAMMU & KASHMIR SERVICES SELECTION BOARD – JKSSB RECRUITMENT 2016 – 1184 JUNIOR ASSISTANT, PHYSICAL EDUCATION TEACHER, JUNIOR PHARMACIST & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 21 JUNE**

**JKSSB Recruitment 2016**
Jammu & Kashmir Services Selection Board (JKSSB) invites Application for the post of 1184 Junior Assistant, Physical Education Teacher, Junior Pharmacist & Various Vacancies for District Cadre posts under Jammu and Kashmir Special Recruitment. Apply Online before 21 June 2016.
**Advt. No. : 01 of 2016**
**Job Details :**
**Post Name :** Junior Assistant
**No of Vacancy :** 509 Posts
**Post Name :** Physical Education Teacher
**No of Vacancy :** 97 Posts
**Post Name :** Junior Pharmacist
**No of Vacancy :** 46 Posts
**Eligibility Criteria :**
**Educational Qualification :**
**For Junior Assistant :** Graduation from any recognized University with knowledge of type writing having not less than 35 words speed per minute and Six months certificate couse in computer applications from?recognized Institute.
**For Physical Education Teacher :** Matric with Certificate course in Physical Education. However, preference shall be given to the candidate with outstanding sports career; and to those physical Education graduates with outstanding sports career or with basic course in Mountaineering & Skiing.
For Junior Pharmacist : 10+2 with Science and diploma in Pharmacy from SMF or any recognized Institute.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 40 years (as on 01.01.2016)
**Job Location :** Jammu and Kashmir
**Application Fee :** Candidates can deposit fees of Rs. 350/- only in any of the branches of Jammu and Kashmir Bank in the account number specified and printed on the payment e-challan only.
**How to Apply for JKSSB Recruitment :** Interested candidates may apply Online through JKSSB website www.jkssb.nic.in from 06.06.2016 to 21.06.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date for Submission of Online Application :** 06.06.2016
**Last Date for Submission of Online Application :** 21.06.2016
**Last Date for submission of fee/ Bank Challan :** 22.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://www.jkssb.nic.in/Pdf/Downloader.ashx?nid=37&type=a
**Apply Online :** http://jkssb.nic.in/Pages/Applicant/Jobs.aspx

**NAUSENA BHARTI – INDIAN NAVY RECRUITMENT 2016 – STEWARD, COOK & TOPASS VACANCIES – LAST DATE 19 JUNE**

**Indian Navy Recruitment 2016**
Indian Navy invites application from unmarried Male Indian citizens For Recruitment of Steward, Cook And Topass (Sanitary Hygienist), For Batch 01/2017, Course Commencing April 2017. Apply Online before 19 June 2016.
**Job Details :**
**Post Name :**
**Cook (MR)**
**Steward (MR)**
**Topass (NMR)**
**Eligibility Criteria for Nausena Bharti Recruitment:**
**Educational Qualification :**
**For Cook (MR) :** Candidates should be matric/class 10th passed. They would be required to prepare food as per menu (both vegetarian and non-vegetarian including handling of meat products) and accounting of ration. In addition, they will also be allotted other duties for efficient running of organisation.
**For Steward (MR) :** Candidates should be matric/class 10th passed. They would be required to serve food in the officers messes, as waiters, housekeeping, accounting of funds, wine and stores, preparation of menu etc. In addition, they will also be allotted other duties for efficient running of organisation.
**For Topass (NMR) :** Candidates should be VI standard qualified. They will be required to maintain hygiene in wash rooms and other areas. In addition, they will also be allotted other duties for efficient running of organisation.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 17 to 21 years as on 01.04.2017 (born between 01 Apr 1996 and 31 Mar 2000, both dates inclusive)
**Job Location :** All India
**Selection Process :** The candidates will be issued call up shortlisted and Written Exam.
**How to Apply Indian Navy Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through website www.nausena-bharti.nic.in 19.06.2016. candidates Print two copies of the online Application Form having the system generated Application Number along with Self attested photograph, Self attested photo copies educational certificates and mark sheets and mailed (posted) to Post Box No. 2, Lodhi Road Post Office, New Delhi -110003 for MR (Cook & Steward) and Post Box No. 5270,Chanakyapuri Post Office, New Delhi –110021 for NMR (Topass) on or before 27.06.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Online Application Registration :** 19.06.2016
**Last Date for Submission of Hard copy of Online Application :** 27.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10701_16_1617b.pdf
**Apply Online :** http://www.joinindiannavy.gov.in/forthcomingSailor.php

**National Institute For Research In Tuberculosis – NIRT Recruitment 2016 – 09 Staff Nurse & Lower Division Clerk Vacancy – Last Date 23 June**

**NIRT Recruitment 2016**
National Institute For Research In Tuberculosis (NIRT) invites application for the post of 09 Staff Nurse & Lower Division Clerk. Apply before 23 June 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Staff Nurse
**No of Vacancy :** 06 Posts
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs. 4600/-
**Post Name :** Lower Division Clerk
**No of Vacancy :** 03 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 1900/-
**Eligibility Criteria for NIRT Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Staff Nurse :** Diploma in General Nursing Midwifery from a recognized board or council and registered as Nurse or Nurse and Midwife with State Nursing Council.
**For Lower Division Clerk :** 12th class passed or equivalent qualifcation from recognzed board /university and a typing speed of 30 w.p.m in English on manual typewritter or a typing speed of 35 w.p.m. in English on Computer.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :**
**For Staff Nurse :** 30 years
**For Lower Division Clerk:** 18 to 27 years
**Job Location :** Chennai (Tamil Nadu)
**Selection Process :** Selection will be made on Written Test & Skill Test.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through Demand Draft drawn in favour of The Director, National Institute for Research in Tuberculosis, Chennai payable at Canara Bank, Egmore Branch, Chennai. SC/ST/PH/Women candidates are exempted from payment of fees.
**How to Apply NIRT Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with self attested copies of certificates / documents send to The Director, National Institute for Research in Tuberculosis, No.1, Mayor Sathiyamoorthy Road, Chetpet, Chennai – 600031 on or before 23.06.2016.
**Important Dates to Remember:**
**Last Date For Submission of Application :** 23.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://www.nirt.res.in/pdf/2016/SN-LDC/Advertisement.pdf
**Download Application Form :** http://www.nirt.res.in/pdf/2016/SN-LDC/Application%20form.pdf